# করাচিগী সুইসাইদ এটেক্তা চেন্নবা টেরর আউটফিটশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা চাইনানা পাকিস্তানদা হায়খ্রে

বৈজিং, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): পাকিস্টানগী করাচি সিটিদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থোকখিবা সুইসাইদ এটেক্তা চেন্নবা টেরর আউটফিটশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা চাইনানা পাকিস্টানদা তকশিনখ্রে।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা চাইনিজ মীওইগী ঈখেং অরেম্বদা তাহনবা য়ারোই। থৌদোক অদুদা চেন্নবশিংনা মদুগী মমল তিংগদবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিলদা য়ুনিভর্সিটি ওফ করাচিগী কনফ্যুসিয়েস ইন্সটিট্যুটকী মপানদা চথুখিবা সুইসাইদ বোম্বিং এটেক্ট অমদা চাইনিজ নেসনেল অহুম অমসুং লোকেল মীওই অমা শিখিবনি।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি চাইনানা এটেক্ট অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি অসিনা শাথিরবা টেরোরিষ্ট এটেক্ট অসিগী মতাংদা নুংনাংবা উৎখি অমসুং থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিং অদুগীদমক্তা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অশোক অপন নঙলবশিং অমদি লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংনা নঙলিবা অৱাবশিংদা শরুক য়ারি হায়খি।



এটেক্ট অদুবু বেলোচিষ্টান লিবরেসন আর্মি (বিএলএ) না ক্লেম তৌখি। বিএলএ অসি মরু ওইনা ইরাং কনবা বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সতা ওপরেট তৌরিবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অমনি। গ্রুপ অসিনা মমাঙদসু চাইনিজ সিটিজনশিং অমসুং ইনরেষ্টশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক্ট কয়া চথুখিবা লৈখ্রে।

পাকিস্টানগী খা থংবা পোর্ট সিটিদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা থোকখিবা থৌদোক অদুদা ভেন অমা অমাঙ অতা থোকখি। বিএলএনা এটেক্ট অদু নুপী সুইসাইদ বোম্বর অমনা পাঙথোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

এটেক্ট অদুগী মতুংদা গ্রুপ অসিনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা এটেক্ট অদু সারি বালোচ নত্ত্রগা ব্রাহ্মস কৌবা গ্রুপ অসিগী অহানবা নুপী সুইসাইদ বোম্বর অমনা পাঙথোকখিবনি হায়খি। এটেক্ট অদুনা বালোচ রেজিষ্টেন্সকী পুৱারীদা অনৌবা চেপ্টর অমা হাপ্লে হায়নসু গ্রুপ অসিনা ক্লেম তৌখি।

চাইনা ইন্সটিট্যুট ওফ কন্টেম্পররি ইন্টরনেসনেল রিলেসন্সকী নেসনেল সেক্যুরিটি এক্সপার্ট লি ৱেনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা গ্লোবেল টাইমসতা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০২১ গী মমাঙদা বিএলএনা লম্বীগী মতাইদা বোমশিং প্লান্ট তৌদুনা টেরর এটেক্টশিং চথুখি।

তৌইগুম্বসুং মদুগী মতুংদা বিএলএনা মখোয়গী এটেক্টকী মেথদশিংদা অঙাংশিংবু সুইসাইদ বোম্বরশিং ওইনা শীজিন্নবা য়াওনা অহোংবা কয়া লাকহনখি। মসি মরু ওইনা অতৈ পার্টিশিংনসু শৌগৎপদগী ওইরম্বসু য়াই হায়বা ৱাফম এক্সপার্ট অসিনা থমখি।

এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না টেরোরিষ্টশিংনা চাইনিজ সিটিজেনশিংদা চথুরক্লিবা এটেক্টশিং অদু হন্দক্তা পাকিস্টানদা লাকখিবা পোলিটিকেলগী অহোংবশিংদা মরী লৈনরমদবা য়াই। লিদরশিপ হোঙবগী মতাংদা প্রোটেক্টনচিংবা খরা লৈখ্রবসু ইকুই কুইদনা পোলিটিকেলগী ফিভম লাকশিনবা ঙমখি হায়না গ্লোবেল টাইমসনা রিপোর্ট অমদা ফোঙদোকখি।

চাইনা অমসুং পাকিস্টানগী ইকনোমিক কোরিদোর সিপিইসি অরুবা তাঙ্কক অমদা লাকখিবগা লোয়ননা প্রোজেক্ট অদুবু পাকিস্টানগী গভর্নমেন্টগী মায় পাকপা অমনি হায়না খনবা তৌইগুম্বসুং গভর্নমেন্ট অসিবু য়াদবা সেপরেটিষ্ট খরনা মদুগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা তাথিবা হেনগৎলকখি হায়না লাঞ্জৌ য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টর ফোর অফঘানিষ্টান ষ্টদিসকী দিরেক্তর ঝূ য়োংবিয়াওনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা গ্লোবেল টাইমসতা ফোঙদোকখি।

সিপিইসি অসি মশাগী তোঙানবা পোলিটিকেল অমসুং ইকনোমিক ইন্টরেষ্টশিং লৈজবা তোঙান তোঙানবা লাইনিং লাইশোলগী গ্রুপশিং অমসুং ইথনিক গ্রুপশিংগী মরক্তা অরুবা য়েৎনবশিং লৈরিবা মফমশিং ফাওরিবনি হায়না জাওনা মখা তাখি। পাকিস্টানদা লৈবা চাইনিজ এম্বেসিনসু চাইনিজ সিটিজেনশিং কম্পেনিশিং অমসুং প্রোজেক্টশিংদা লৈবাক অদুগী সেক্যুরিটিগী ফিভমদা মীৎয়েং চঙননবা পাউতাক পীখি।

# ‘ক্লাইমেট চেঞ্জ, হ্যুমেন বিহেবিয়রনা মরম ওইদুনা দিজাষ্টরশিং থুনা হেনগৎলক্লি’

য়ুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): ক্লাইমেট চেঞ্জকী মথক্তা মীওইবগী এক্তিভিটি অমসুং বিহেবিয়রনা মালেম অসিদা দিজাষ্টরশিং হেনগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়না য়ুএনগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।



লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ুএন ওফিস ফোর দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন (য়ুএনদিআরআর) না রিলিজ তৌখিবা গ্লোবেল এসেসমেন্ট রিপোর্টকী মতুং ইন্না হৌজিক্কী ফিভমশিং অসি মখা তানা চথুবা তারবদি কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা ময়াই ওইরকপদগী অচৌবা দিজাষ্টরগী থৌদোকশিংগী মশিং চহী অমদা ৫৬০ য়ৌবা য়াই হায়না প্রোজেক্ট তৌরি নত্ত্রগা নোংমদা দিজাষ্টর ১.৫ থোক্কনি হায়না পারি।

কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং দিজাষ্টরশিংগী চৈথেংশিংনা মরম ওইদুনা মালেমগী অহেনবা মিশন মিলিয়ন ৩৭.৬ কা হেনবা লাইরবগী ফিভমশিংদা হিংলগনি। খ্বাইদগী শাথিরবা সিনারিও অমদা কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা অহেনবা মীওই মিলিয়ন ১০০.৭ লাইরহনগনি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

মখা তানা রিপোর্ট অদুনা হায়, হৌখিবা চহী ২০ গী মতম অসিদা চহী খুদিংগী অসিগুম্বা দিজাষ্টর ৩৫০ দগী ৫০০ ফাওবগী মনুংদা থোকখি। মসি মমাঙগী চহী ৩০ গী মতমদা থোকখিবা দিজাষ্টর মশিংদগী শরুক মঙা হেল্লবনি। দিজাষ্টরশিং অসিদা মাঙ তাকখিবশিং অদু হৌখিবা চহী তরাগী মতমগী ওইনা পাবদা চাংচৎতা চহী অমদা দোল্লর বিলিয়ন ১৭০ রোমনি। মসিগী চৈথেং অসি মরু ওইনা চাংচৎতা চহী অমদা দিজাষ্টরশিংনা মরম ওইদুনা নেসনেল জিদিপিগী চাদ ১ অরেম্বদা মাঙলিবা লো-ইনকম অমসুং লৱার-মিদ্দল-ইনকম লৈবাকশিংদা মীৎয়েং থমদুনা পাবনি।

চাংচৎকী চাং অসি মথং শিৎনা চাদ ০.১ অমসুং চাদ ০.২ ওইরিবা হাই-ইনকম লৈবাকশিং অমসুং অপ্পর-মিদ্দল-ইনকম লৈবাকশিংগা চাংদম্নবনি।

ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং হ্যুমেন বিহেবিয়রনা থোকহনবা দিজাষ্টরনা মরম ওইদুনা শেল থুমদা খ্বাইদগী চাওনা মাঙহল্লিবসি এসিয়া-পেসিফিক রিজনগী লৈবাকশিংদা থোক্লি। লমদম অসিগী লৈবাকশিংনা চহী খুদিংগী দিজাষ্টরশিংনা মরম ওইদুনা চাংচৎতা মখোয়গী জিদিপিগী চাদ ১.৩ মাঙলি।

অফ্রিকা অসি দিজাষ্টরশিংনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবা মালেমগী অনীশুবা লমদমনি। লমদম অসিনা দিজাষ্টরশিংনা মরম ওইদুনা চাংচৎতা জিদিপিগী চাদ ০.৬ অরেম্বদা মাঙবা উরি।

লৈবাক কয়ানা দিজাষ্টরশিং থোকপা হন্থহন্নবগী ষ্ট্রেটেজিক কয়া পায়খৎতুনসু হৌখিবা চহী মঙাগী মতম অসিদা দিজাষ্টরশিংনা শিহনখিবা নত্ত্রগা শোকহনখিবা মী মশিং অসি মমাঙগী চহী মঙাগী মতমদা শোকহনখিবা অমদি শিহনখিবশিংদগী হেল্লি হায়না রিপোর্ট অদুদা পল্লি।

# অৱাং নোংচুপ থংবা কোঙ্গোদা ইবোলাগী অনীশুবা পেসেন্ট লৈখিদ্রে: দব্লিয়ুঐচও



নাইরোবি, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): অৱাং নোংচুপ থংবা দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী অনীশুবা ইবোলা পেসেন্ট লৈখিদ্রে হায়না ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না ফোঙদোরক্লি।

নুমিৎ খরগী মমাঙদা শাথিরবা লায়না অসিগী লাইচৎ ইনৌ নৌনা শন্দোরকখিবা মতুংদা লায়না অসিগী অনীশুবা পেসেন্ট লৈখিদবনি হায়রি।

লৈবাক অদুগী নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ বাইওমেদিকেল রিছার্সনা ফোঙদোরকখিবদা জেনেটিক টেষ্টিং চথুবদা হৌখিবা চয়োলদা মবানদাকা সিটিদা কনফার্ম তৌখিবা ইবোলা ইনফেক্সন অমবু মমাঙগী লাইচৎ অমত্তগা মরী লৈনদে অমসুং মদু ইনফেক্সন লৈরবা শা অমদগী লৌনরকপনি হায়বসি উৎখি।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা ত্বিটরনা ফোঙদোরকখিবদা অনীশুবা ইবোলা পেসেন্ট অদু অহানবা কেস অদুগী ইমুং মনুং ওইবা মশাগী চহী ২৫ শুরবী নুপী অমনি। মহাক নুমিৎ ১২ নিগী মমাঙদা ইবোলাগী লাইওংশিং চেল্লকপা হৌখি। অহানবা পেসেন্ট অদু এপ্রিল ১৫ দা লাইওংশিং উৎলকপা হৌখি। তৌইগুম্বসুং চয়োল অমা হেন্না লায়েংদনা লাকখি।

অহানবা পেসেন্ট অদু এপ্রিল ২১ দা ইবোলা ট্রিটমেন্ট সেন্টর অমদা শিখি। লায়েংবদা মতম খরা থিন্থখিবা অসিনা মরম ওইদুনা হেল্থ ৱার্করশিংনা পেসেন্ট অদুগা নকশিন্নরম্বা য়াবা মীওইশিং খঙননবা হোৎনরকখি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওনা ফোঙদোকখি।

মালেমগী হেল্থ এজেন্সি অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৪৫ কনফার্ম তৌরবা কেসশিংগা কন্টেক্ট তৌনখি অমসুং মখোয়গী হকচাংগী ফিভম মোনিটর তৌরি। অহানবা কেসশিংদুগী মনুংদা অমদি হেল্থ ৱার্করনি হায়নসু দব্লিয়ু ঐচ ওনা ফোঙদোরকখি।

কোঙ্গো তুরেলগী তোর্ব্বানদা তাবা ট্রেদিং হব অমা ওইরিবা মবানদাকা অসি মীওই মিলিয়ন অমা হেন্না লৈবা সিটি অমনি। সিটি অসিগী মীওইশিং কেপিটেল কিন্সাসাদা শম্নবা কংফাল লম্বী, ঈশিং অমদি এয়র লিঙ্কশিংগা নক্কনা লৈ।

দব্লিয়ু ঐচ ও ইন্মর্জেন্সি দিরেক্তর ফোর অফ্রিকা ইব্রাহিমা সোসেফোলনা হায়খি, মদুদি লায়না অসি য়ুমথংনরিবা সেন্ট্রেল অফ্রিকান রিপব্লিক অমসুং কোঙ্গো ব্রাজিবিলদা শন্দোরকপা য়াবগী রিস্ক লৈ। মসি অরুবা ফিভম অমনি।

তৌইগুম্বসুং কোঙ্গোগী লাইচৎ লাকশিন্নবগী কেপাসিটি অমদি এক্সপরিয়েন্সনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না লায়না অসি লাকশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফোলনা জেনেভাদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

কোঙ্গোদা মমাঙদা ইবোলাগী লাইচৎ ১৩ দা শন্দোকখিবা লৈখ্রে। লাইচৎশিং অদুগী মনুংদা কুমজা ২০১৮-২০২০ গী মতমদা লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা শন্দোকখিবা ইবোলাগী লাইচৎ অমদা মীওই লিশিং ২৩০০ রোম শিখিবনি। মদু ফিভর মখল অসিগী পুৱারীদা অনীশুবা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিখিবা লাইচৎ ওইখি।

খ্বাইদগী নৌবা হন্দক্কী লাইচৎ অদু মমাঙগী লাইচৎ অদুগী মতুং থা তরুক কান্নরগা নোংপোক থংবা শরুক্তা দিসেম্বরদা লোইশিনখি। ইক্কাটিওর প্রোভিন্সকী কেপিটেল মবানদাকাদা কুমজা ২০১৮-২০ দা ইবোলাগী লাইচৎ অনী থোকখ্রে। লৈবাক অসিগী ইক্কেটোরেল ফোরেষ্ট এরিয়াশিং অদু ইবোলা ভাইরসকী মহৌশাগী ওইবা রিজর্বর অমনি হায়না লৌনৈ। ভাইরস অসি কুমজা ১৯৭৬ তা অৱাং থংবা কোঙ্গোগী ইবোলা তুরেল মনাক্তা থেংনখিবনি।

# অজোবষ্টালদগী মীচমশিং লৌথোকপদা য়ুএন, আইসিআরসি চেন্নহনবগী ৱাফম পুটিননা য়ারে: য়ুএন

য়ুনাইটেদ নেসন্স, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী মরিওপোলদা লৈরিবা অজোবষ্টাল প্লান্টতগী মীচমশিং লৌথোকপগী থবক্তা য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং ইন্টরনেসনেল কম্মিটি ওফ দি রেদ ক্রোস (আইসিআরসি) চেন্নহনবগী ৱাফম রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা য়ারে হায়না য়ুএন স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।



য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা পুটিনগা মোস্কোদা উন্নখিবা মতাংদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা গুটরেজকী স্পোক্সমেন ষ্টেফান দুজারিক্না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি য়ুএন চীফ অমসুং রসিয়ন প্রসিদেন্টগী মরক্তা প্রাইভেট মীটিং অমা পাঙথোকখি।

গুটরেজনা য়ুক্রেনগী মতাংদা লৈরিবা য়ুএনগী ফিরেপ নৌহৌননা পনখি অমসুং মখোয়না হ্যুমেনিটরিয়ন এসিষ্টেন্ট অমসুং মরিওপোলদা লৈরিবা ফিভমগা মরী লৈননা মীচমশিং হোন্দোকপগী প্রপোজেলশিং খন্নখি।

প্রসিদেন্টনা অজোবষ্টাল প্লান্টদগী মীচমশিং হোন্দোকপদা য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং আইসিআরসি চেন্নহনবগী ৱাফম অসি য়াখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেলগী স্পোক্সমেননা মখা তানা হায়খি, মদুদি য়ুএন চীফ অমসুং রসিয়ন প্রসিদেন্টগা উন্নখিবা অসিগী মতুং তারকপা ওইনা য়ুএন ওফিস ফোর দি কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ন এফিয়ার্স অমসুং রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মরক্তা দিস্কসন পাঙথোক্কনি।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না সেক্রেটরি জেনরেলগী মোস্কো খোঙচৎ অদুদা দুজরিক লোইনখি। রসিয়ন প্রসিদেন্টগা ৱারী শান্নদ্রিঙৈ মমাঙদা য়ুএন চীফনা রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রি সর্গি লাভরোবকা ৱারী শান্নখি। লাভরোবকা উন্নরবা মতুংদা প্রেস মিট অমদা গুটরেজনা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনগী মীয়াম, রসিয়ন ফেদরেসনগী মীয়াম অমদি মালেমগী মীয়ামগীদমক্তা লান অসি থুনা লোইশিনখিবনা খ্বাইদগী ফবা ওইগনি হায়বসি ঐহাক্কী অচেৎপা থাজবনি।

য়ুএন চীফনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মফম মফমশিংদা খুৎ থোক্ক বা লেপ্পগা লোয়ননা খুদোংথীবা নঙলোইদবা কোরিদোরশিং হাংনবগী ৱাফমশিং খন্ননবা মহাক্না রসিয়া, য়ুক্রেন অমসুং য়ুএনগা খুৎশম্নরগা হ্যুমেনিটরিয়ান কন্টেক্ট গ্রুপ অমা লিংখৎপগী ৱাফম হৌদোকখি।

মরিওপোলগী মতাংদা মহাক্না য়ুএন, আইসিআরসি অমসুং য়ুক্রেনিয়ন অমদি রসিয়ন ফোর্সশিংনা কোওর্দিনেটেদ ওইবা মওংদা থবক তৌমিন্নদুনা অজোবষ্টাল প্লান্টকী মনুং অমদি সিটি অদুদা লৈরিবা সিভিলিয়নশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনা হোন্দোকপগী ৱাফম হৌদোকখি।

# শ্রী লঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর মহেন্দ্র রাজাপক্সানা ফম থাদোকপগী ৱাফম লৈতে হায়রি

কলম্বো, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): গভর্ণমেন্ট মনুং অমসুং মপানদগী প্রেসর পীবা হেনগৎলক্লবসু শ্রী লঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দ্র রাজাপক্সানা মহাক ফম থাদোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না অমুক হন্না ফোঙদোকখ্রে।



লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মহাক্কী পার্টিগী প্রোভিন্সিএল কাউন্সিল মেম্বরশিংগী গ্রুপ অমদা ৱা ঙাঙলদুনা রাজাপক্সানা হায়খি, মদুদি কাউন্সিলগী মেম্বরশিংনা কিরোইদবনি। মহাক প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম থাদোক্কুবা ৱারেপ লৌবা লৈতে। প্রোভিন্সিএল কাউন্সিল পিসি সিষ্টেম অসি ইথৎ লৈবাক অসিদা মেজোরিটি সিনহালিষ্ট অমসুং মাইনোরিটি তামিল রেবেলশিংগী মরক্তা শোক্লরকখিবা সিভিল ৱার লৈখায় তানবগীদমক্তা কুমজা ১৯৮৭ কী জুলাইদা ইন্দিয়াগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রাজিব গান্ধী অমসুং মতমদুগী শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট জয়েৱার্দেনগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা ইন্দিয়া-শ্রী লঙ্কা পিছ একোর্দনা মরম ওইরগা লাকখিবনি।

পিসিগী মেম্বরশিংনা পাস তৌখিবা রিজোলুসন অমনা শ্রী লঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টরদা পৱার থাদোক্তনবা তকশিনখি।

প্রসিদেন্ট গোটাভয়া রাজাপক্সাগী ময়াম্বা মহিন্দ্র রাজাপক্সানা ফম থাদোক্তনবা অকনবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা প্রোটেষ্টরশিংনা মহাক্কী ওফিসিএল রেসিদেন্স টেম্পল ট্রিস কোয়শিন্দুনা মেন এন্ট্রান্স থিংজিনখি।

মীয়ামগী ঈহৌ অদুদা শ্রী লঙ্কাগী প্রসিদেন্টগী ওফিস লেপ্তুনা ব্লোক তৌখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্সিএল সেক্রেটরিএটনা মহাকপু এপ্রিল ২ দগী শাফগদবা মফম অমদা লৈহনখি।

ওপোজিসন অমসুং গভর্নমেন্ট অনীমক্কী এমপিশিংনা কন্সটিট্যুয়েন্সেল ক্রাইসিস অদু লোইশিন্দ্রিবা ফাওবা পার্টি পুম্নমক্কী ওইবা ইন্টরিম গভর্নমেন্ট অমা শেম্নবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

শ্রী লঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর মহিন্দ্র রাজাপক্সানা ইন্টরিম গভর্ণমেন্ট অমা শেন্বা তারবসু মদু মহাক্না ফম অসি পায়রগা শেমগদবনি হায়না ফোঙদোক্তুনা লাক্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা মহাক্না কন্সটিট্যুসনগী ১৯ শুবা এমেন্দমেন্ট পনখি। এমেন্দমেন্ট অসিগী খুথাংদা মহাক্কী মনাওনুপা গোটাভয়াগী পৱারশিং মহাক্নসু শীজিন্নবা য়াই হায়খি। পৱারশিং অদু মহাক্না ২০ শুবা এমেন্দমেন্ট পাস তৌরগা লাকহনখিবনি।

অদুম ওইনমক দোল্লরগী ক্রাইসিসনা মরম ওইদুনা ফ্যুএল, গ্যাস, ফুদ, মেদিসিন অমসুং ফর্টিলাইজরগুম্বা তঙাই ফদবা আইটেমশিং ফঙহনখিদে। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মীয়াম্না লৈবাক অসিগী লম্বীশিংদা থোক্লক্তুনা গভর্ণমেন্ট রিজাইন তৌনবা তকশিনখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৱার্ল্ড বেঙ্ককী টিম অমনা কলম্বোদা প্রসিদেন্ট রাজাপক্সাগা উন্নখি অমসুং শেল থুমগী ক্রাইসিস অদু থেংনবদা মতেং ওইনবা দোল্লর মিলিয়ন ৬০০ কী মতেং পীবগী ৱাফম য়ান্নখি।

# নেপালদা শেল থুমগী ক্রাইসিস লুশিল্লকপদগী লৈবাক অসিনা অকে অমৌগী আইটেমশিং পুশিল্লকপা থিংখ্রে

কাঠমান্দু, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সী): নেপালগী শেল থুমগী ক্রাইসিস হেন্না লুশিল্লকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী গভর্নমেন্টনা কুমজা ২০২২ গী জুলাই থাখায় চনবা ফাওবা মপানদগী অকে অমৌগী আইটেম তরা পুশিল্লকপদা মপুং ফানা অথিংবা থমখ্রে। থৌরাং অদু লৈবাক অদুগী ফোরেন একচেঞ্জ রিজার্ব মখা তানা শোকচিলহন্দনবগীদমক্তা লৌখৎলকপনি হায়রি।



য়ুমশকৈশা নুমিত্তা গেজেটতা ইস্যু তৌখিবা নোটিস অমগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা পুশিল্লকপা থিংলিবা পোৎচৈশিং অদুগী মনুংদা চুরুট অমসুং হিদাক মনাগা মরী লৈনবা পোত্থোকশিং, দাইমন্দ, মোবাইল ফোনশিং, ইঞ্চি ৩২ দগী হেন্না পাক চাওবা কল্লর টিভিশিং, এম্বুলেন্স নত্তবা মপানগী ওটোমোবিলশিং, সিসি ২৫০ গী মথক ওইবা মোটোর সাইকলশিং, মখল খুদিংমক্কী শান্নপোৎশিং, অলকোহোলিক ভেবরেজশিং অমসুং প্লেইং কার্দশিংসু য়াওরি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্দষ্ট্রি, কম্মর্স এন্দ সপ্লাইজকী মতুং ইন্না অথিংবা অদু এপ্রিল ৩০ গী মমাঙদা বেঙ্কিং প্রোসেস মপুং ফানা লোইখ্রবশিংদদি এপ্লাই তৌরোই। থৌরাং অসিগী মথক্তা গভর্নমেন্টনা লেপ্তুনা ময়েং তারক্লিবা ফোরেন রিজার্ব কন্ট্রোল তৌনবগী অতৈ খোঙথাংশিংসু লৌখৎখ্রে। মসিগী মমাঙ থা অসিগী অহানবা চয়োলদা নেপালগী সেন্ট্রল বেঙ্কনা ট্রেদরশিংদা দিরেক্তিব অমা ইস্যু তৌদুনা লৈবাক অসিগী লেপ্তুনা হন্থরক্লিবা ফোরেন রিজর্বশিং মখা তানা থোকহন্দনবা থৌরাং ওইনা নন-ইসেন্সিএল পোৎশকশিং ইম্পোর্ট তৌবগা মরী লৈননা লেটর্স ওফ ক্রেদিট (এলসি) য়ারিবমখৈ হাংহন্দনবা খঙহনখি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা ইম্পোর্টকী চাং খরা ৱাংখিবদগী লৈবাক অসিগী য়াম্লবা ফোরেন করেন্সিগী শেনফমশিং মপানদা চৎখিবগা লোয়ননা বেলেন্স ওফ পেমেন্টদা অকায়বা চাওনা লাকখি অমসুং লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ক্রাইসিস লুশিলহনখি। সেন্ট্রেল বেঙ্কনা ট্রেদরশিংবু লেটর্স ওফ ক্রেদিট হাংবা য়াহন্দবদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা আইটেম ৩০০ ইম্পোর্ট তৌদনবা খঙহনখি।

সেন্ট্রেল বেঙ্ককী মতুং ইন্না বেঙ্ক লোনশিংগী য়াম্লবা শরুক অমা ইম্পোর্টশিংগী পেমেন্টদা চৎখিবদগী লৈবাক অসিদা কোভিদ ১৯ না চৈথেং চাওনা পীরবা শেল থুমগী থবক থৌরমশিং মহৌশাগী ফিভমদা লাকহনবা য়ানবা পায়খৎকদবা শেল থুমগী এক্তিভিটিশিং ফাইনান্স তৌনবগী শেল ৱাৎলকখি।

করিগুম্বা লেটর্স ওফ ক্রেদিট তঙাই ফদনা হাংবা তারবসু ট্রেদরশিংনা অলকোহোলিক দ্রিঙ্কশিং, হিদাক মনা, সিলভর, ফর্নিচর, চিনি, অথুম অহাও, গ্লুকোজ, মিনরেল ৱাটর, ইনর্জি দ্রিঙ্কশিং কোস্মেটিক্স, সম্পু, হিয়র ওইলশিং, কল্লরশিং, কেভশিং, ফুদ ৱ্যের অমসুং কন্সট্রক্সন মেটরিয়েলশিং হায়বদি চেক, মার্বল, টাইলস অমদি সেরামিকনচিংবশিং ইম্পোর্ট তৌবদা মার্জিনগী শেনফম চাদ ১০০ থম্নবা খঙহনখি।

শেনবা চহী ২০২১-২২ গী অহানবা থা তরেৎকী মনুংদা ইম্পোর্টশিংগী চাং চাদ ৪২.৮ হেনগৎতুনা লুপা ট্রিলিয়ন ১.১৪ য়ৌখি। মমাঙগী চহীদা হেনগৎখিবগী চাংনা শুপ্নগী চাদ ০.০১ নি।